Monday, February 03, 2025, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# য়োল্লোইদবা পোৎকী মমল হুল্লক্কনু

## ৱাফমসি পূন্নমক্না খঙই

হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্নসু হায়। মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংনসু হায়খি- ‘মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্কনি অমসুং কায়হল্লোই’ মণিপুরগী ঙমখৈদগী ইথিঙ অমগী লমগী শরুক ফাওবা মাঙহল্লোই ফাওবা য়ৌনা হায়খি। চুম্না হায়বা নত্তে, মীয়াম তিনবা-পূনবা থৌরমশিংদা ফাওবা ৱাশক্তুনা হায়খ্রিবনি। থেঙখাং খরদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা ফাওবা ‘প্রাইভেট মেম্বরস রেজল্যুশন’ ওইনা মুভ তৌনরকপদগী হাউসনা ৱারেপ ওইনা লৌখিবসু য়াওখ্রে। লৌফম থোকই। এসেমব্লিদা ফাওবা পুথোক্তবা য়াদবদগী পুখৎনরক্লগা খন্ন-নৈনরগা ৱারেপ লৌখ্রিবনি। ৱাফমসি ঙসি-ঙরাং খক্তদগী চোংথোরকপা নত্তে। ঙামোক পীজরগা থেম্বদা য়াবা, নীংঙাই তৌবা তোকপা অঙাংদৌনা অঙম্বা অমনা ইনশিল্লগা চৎপা কুকি-জো ফুরুপশিংগী মীওই খুজোক খরনা মে ৩, ২০২৩দগী হিংচা-য়াইতম্বগী থৌওংশিং চত্থরকপদগী থোরকপসু নত্তে। মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা মীতৈশিংনা পীক্কেরা চাউগেরা লমদমসিগী অপূনবা ঙমখৈবু ঙাক্লকপগী শাংলবা পুৱারীশিং লেঙদনা লৈরি। চুম্নতগী চিন্দা খক্তা লাউরগা ঙাক-শেল্লকপা নত্তে। চাংদম্ননীংঙাই লৈত্রবা থৌনা লিংজেলনা অরৈবা খুৎলায় পায়রগা লানফম কয়াদা লান্মী ওইনা লান্থেংনরগা কল্লকখিবনি। থৌনা ফবা ইপা-ইপুশিংগী মশাদগী চেন্থরকপা অঙাংবা ঈখেংশিংনা চামথোক্লগা মশক থোক্না তরং-তরং থল্লকখিবা মণিপুরগী টেরিটেরিএল ইন্টিগ্রিটিনি। মরমশিং অসিনা মসিবু থুগাইদুনা মচেৎ তানা কায়হন্নবা অমসুং শরুক খরা য়োনবা অমদি মমল মন্তিক্লবগী থৌওং অমত্তা চত্থরক্লোইদবনি হায়বসি পূন্নমক্না খঙগদবনি। পূন্নমক হায়বসিদা ৱাফমসিবু ঙাইহাক লৈতনা চিন্দোন-লৈতোলদা পল্লিবা মণিপুর মীয়ামগী লৈঙাক পায়বা-পায়দবা মীহুৎশিং, য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোইশিং, ষ্টেটসিদা কন্সটিট্যুশনেল হেদ ওইরিবা গভর্ণর, ষ্টেট লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিং, লৈমিন্নরক্লিবা অকুৎপা অমসুং অতোংবদা লৈবা ফুরুপ পূন্নমক্কী মীওইশিং, মখোয়গী খো-খোৎপা লূপ পূন্নমকসু য়াওরবনি। খ্বাইদগী মরু ওইনা ওইজ-ওইথক, অরেম-অপা হুমা-হুমা থিরিবা, মমল পীরগা লৈবা য়াবা, থৌজিনবদা চৎপা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈবা শাগৈগী মৈতাল অশিবশিংসু মুন্না খঙজিল্লু।

হোয়, থৌওইনা ইনশিনবা লানসি হৌরক্তুনা চত্থহল্লকপদগী মশা-মশাগী টর্ম শুদনা শিন্দোকখিবা গভর্ণর অহুম শুখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইকোন কোন্না লৈরিবসি অজয় কুমার ভল্লানি। মহাকপু মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা দিসেম্বর ২৪, ২০২৪দা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবনি। অদুগা জন্যুৱারী ৩, ২০২৫দা ৱাশক লৌরগা ফমসিগী থবক পুরকখিবনি। মহাক লাকপদগী লানসিগী ইপিসেন্টর ওইরিবা চুড়াচান্দপুর অমসুং মোরেদা মথং-মথং চৎলুরে। লান হৌরিবা কুকি-জো ফুরুপকী লূপশিংগী মীহুৎশিংগা ফম্মীন্নদুনা মীফম পাঙথোক্লুরে। অদুগী মতুংদা জন্যুৱারী ১৭, ২০২৫তা কুকি-জো কাউন্সিলগী মীহুৎ ৪না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিশল অনীগা দেল্লীদা মীফম পাঙথোকখ্রে। মতুং তারকপদা কোন্না-কোন্নগীদি খঙদ্রি, হৌজিক ফাওবদদি অনৌবা লানফমশিংগী মশীং হেনগৎলক্ত্রি। অরিবা লানফমদগীসু বোম অমসুং নোংমৈগী মখোল তাবা লৎলি। মখা তানা শুংথোকপু থোরক্তবা ওইরসনু। অদুবু লানসি হৌরকপদগী চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপগী খোঙফমদি হন্দোরক্ত্রিবনি। লেজিসলেটিভকী পৱার য়াওবা লম মচেৎ অমা পীয়ু হায়রক্লিবসি তানবা য়াদবা, তানফমসু থোক্তবা দিমান্দনি, মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্নসু কৈদৌনুংদা দিমান্দসি পীবদি লায়রদনা পুথোক্তুনা ফাওবা খন্নরক্লোই হায়বা ৱাফমসিদি লৈখাই তাদ্রিবনি। মরম অসিনা চহী ৫/৫ খক্কী ওইনা খল্লকপা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংসিদি মখোয়গী পোলিটিকেলগী লমহাঙদা তুপি লংবদা খুনু উপ্লবদং খন্দুনা লৈবনি। চৌক্রি অমসুং ফম্বু থিন্দোক্লুরবদি চেজেৎ কোন্দুনা লৈনবনা থোকউ-থোকউবা খরা ঙাঙজ-শকচরবসু মখোয়গী মিহুলদি মীনা পায়রি। মখোয়গী ৱাফম মাঙলোমদা পুখৎলক্কনু। মখোয় কনা-কনানো হায়বা মীয়াম্না হোত্রোং-হোনা খঙলবনি। মরমশিং অসিনা হোম সেক্রেটরিগী ফমসু মণিপুরদা লান হৌরক্লবা মতুং ফাওবা ওইরমখিবা গভর্ণরদা খুদোম্বী থিল্লুবগী ৱাহন্থোক লৈররোই খল্লি। মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা মীতোপশিংনা ফীভম অমত্তদা য়োম্থোক্লরোইদবা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিবু মমল হুলহল্লক্কনু। ৱাফমসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদসু ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই। মণিপুরগী লালহৌবশিং পুম্লোই-লোইশিনগে খল্লিবদুবুদি খঙ্জৌ। মখোয়গা মায়োক্লবা লানফমদা ‘জয় পড়া জয়’ য়েংনজৌ। অদুবু মণিপুরগী ঙমখৈগী ফিজি-ফিনা নেৎলক্লবদি কুম্মৈ তানিকো!! হায়বিহৌগে!!

# ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দে ২০২৫ (মালেমগী ওইবা ৱেটলেন্দগী নুমিৎ)

- ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ -

করিগুম্বা মফম অমা ঈশিং তুংদুনা লৈবা : ঈশিংনা তুংদুনা লৈবগী মতম অসি থা খরা ওইবসু য়াই; চহী চূপ্পা ওইবসু য়াই নৎত্রগা চহী তরামুক ওইবসু য়াই। অসুম্না মতম খরা ঈশিংনা তুংশিন্দুনা লৈবা অদুগা অমুক কংবা মফম অদুবু ৱেটলেন্দ হায়না খঙনৈ। হায়রিবা ৱেটলেন্দশিং অসি ঈশিং অমদি কংফাল অনীগী তাইনফম ওইগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা পাৎ, তুরেল অমদি অতোপ্পা ঈশিং তুংগনবা মফম কয়া য়াওরি। লমদম অসিদা লৈরিবা লোক্তাক পাৎ অসিসু য়াম্না মরু ওইবা ৱেটলেন্দ অমনি।

ৱেটলেন্দগী মরু ওইবা কান্নবা খরা অমুক খন্থমিন্নসি- (১) মহৌশাগী ওইবা ফিল্টর হায়না খঙনৈ হায়বদি মহু চেনবা অমদি ফত্তবা ঈশিংশিং অদু অফবা ঈশিং ওন্থোকহনবা ঙম্মী। (২) ঈশিং ঈচাওদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। (৩) গ্লোবল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জদগীসু খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙম্মী। (৪) রেনফোরেষ্টনা চূপশিনবা ঙম্বা কার্বোনগী চাংদগী চাদা ৫০ হেন্না ৱেটলেন্দনা চূপশিনবা ঙম্মী। (৫) পান্থী অমদি শা-ঙানচিংবা জীবশিংগী মখল অমদি মশীং অসুক্কী মতিক য়াম্না ফংই।

মালেমগী ওইবা ৱেটলেন্দগী নুমিৎ পাঙথোক্লিবা অসি  কনভেন্সন ওন ৱেটলেন্দ খূৎয়েক পীনখিবা অমদি চৎনবা হৌখিবা অদুবু নীংশিংবা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি। হায়রিবা খূৎয়েক পীনখিবা নুমিৎ অসি কুমজা ১৯৭১গী ফেব্রুৱারী ২ ওইবা মরম্না মতম অদুদগী ঙসি ফাওবা চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২ অসিবু মালেমগী ওইনা ৱেটলেন্দগী নুমিৎ হায়না মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। হায়রিবা খূৎয়েক পীনখিবা অসি ইটলিদা লৈবা রামসার সহরদা পাঙথোকখি।

হন্দক চহীগী ওইনা মালেমগী ওইবা ৱেটলেন্দগী নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা থিমদি "Protecting Wetlands for our common future" হায়বা অসিনি। হায়রিবা থিম অসিগী মখাদা ৱেটলেন্দশিং অসিগী মরু ওইবা অমদি মসিনা ঐখোয় মীওইবদা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীবা অমদি তুংগী মীওইগীদমক  কন্দবা য়াদে হায়দুনা মালেম শিনবা থুংনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়া অমদি লন্নাইগী লোয়শঙ কয়ানা মালেমগী ৱেটলেন্দগী নুমিৎ অসি ঙসিগী য়াইফরবা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্লি। থৌরম অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দম অমদি মালেম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক ৱেটলেন্দগী মরু ওইবা অমদি মসি কন্দবা য়াদে হায়বা ৱাফমশিং অসি খঙহনবনি। করিগুম্বা ঐখোয় মীওইবনা ৱেটলেন্দশিং অসি কলহৌদ্রবদি অসুক্কী মতিক অকায়বা ওইরক্কনি।

হন্দক চহীগী ওইনা মালেমগী ওইবা ৱেটলেন্দগী নুমিৎ অসিনা মরু ওইবা পাউজেল অহুম পীরি মখোয়শিং অদুদি (1) Protecting the world's Wetlands is in our common interest- it safeguards us all. (2) The future of humanity depends on bold action today to protect and restore these indispensable ecosystems. (3) The 15th Meeting of the conference of the contracting parties to the convention on Wetlands to be held during 23-31 July 2025, will unites the global effort to promote Wetland conservation and ensure the continuity of their benefits.


মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মরমশিং অসি খন্থমিন্নদুনা ঐখোয় খুদিংমক ৱেটলেন্দ কনবদা শরুক য়ামিন্নরসি। ●

# লৌমীশিংগী কাখল

## ককর্বিটশিংদা মচীঞ্জাক ৱাৎপা (ককর্বিট থাবদা চংবা মরু ওইবা ৱাফম খরা-২)

- ডা. এম থোইথোই সিংহ -

খোংদ্রুম, মাইরেন, থবী, শেবোৎ, কারোট, কারোট অখাবী, তোর্বোট, তর্ব্বুজনচিংবা পান্থীশিংদা মচীঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং য়াম্না তোয়না থেংনৈ। মচীঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং উৎলকপা হায়বসি লায়ওং উবা মতমদুদা অকক্লবা মচীঞ্জাক্তু ৱাৎপা হৌরকপা নত্তে। মসিগী মমাঙদগী ঙল্লিঙৈদগী ৱাৎলক্লবনি; হেক ৱাৎপগা লায়ওং উৎপা নত্তে। অদুগা লায়ওং উৎলবা মতমদুদা অৱাৎপা মচীঞ্জাক্তু পীনবা হোৎনবা হায়বসিদসু ফংফম থোকপা পোথোক্তু ফংবা ঙমদে; ৱাৎনা ফংই। হেক উবদা অৱাৎপদু পীদুনা চুমথোকপা চংই।




নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়ম্ন চিংবদি পান্থীশিং অসি থারিবা মফমশিংদা ৱাৎপা কয়া থেংনদে। হায়রিবা মচীঞ্জাকশিং অসিদি পান্থীদু থাবা মতমদা অয়াম্বা মীওইনা হাপনৈ। য়াম্না তোয়না থেংনরিবশিংদি পান্থীদা চাং নেম্বা মথৌ তাবা কেলসিয়ম, মেগনেসিয়ম, বোরোন অমসুং সলফরনচিংবনি। হায়রিবা মচীঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওংশিং অসিসু পান্থীদা ৱাৎলকপা মতমদা অমগা অমগা মান্নবা ময়াম অমা লৈবনা মচীঞ্জাক অমগা-অমগগী মরক্তা মান্নবা অমসুং খেন্নবদু য়েংমিন্নবা চংই।

**ককর্বিটশিংদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং :** পান্থীশিংগী মনা কাথেকপা য়াওনা মনাগী মতাইশিং চাওথোকপা ঙমদবদগী মখারোমদা কোন্থে। অদুবু অরিবা মনাশিংদদি অকায়বা লৈরোই। মহৈ ওইবা ঙমদনা মপালশিং কেনখিনি; নৌরিবা ময়োনশিংসু শিবা য়াওগনি। মহৈশিং পীক্কনি, মহাও য়াওরোই। মহৈগী মতোনথংবা শরুক্তা মওং কায়না উগনি। শোইরোম্বা, পৎপা, শুপচিনবনচিংবা উগনি।

থবী পান্থীদা কেলসিয়ম ৱাৎপা মতমদা অনৌবা থবী মনাগী মতাই থংবা শরুক অমসুং মশিংশিংগী মরক্তা মনুং ফাওনা উবা অঙৌবা ডোটশিং উগনি। খরা হেন্না কেলসিয়ম ৱাৎপদগী শোকচিল্লকপা মতমদা মরু ওইবা অচৌবা মশিংশিং অমসুং অতৈ মশিংশিং শাংনা লৈহৌরগা লেমহৌবা মনাগী শরুকশিংগী মচু শংবা হন্থরক্কনি। চাওদম থিনগনি অমসুং মতোনলোম থংবা শরুক্কী মতাং তেনগনি। নৌরিবা মনাশিংগী মরক্তসু খ্বাইদগী নৌরিবা মনাদু থংনবা মনাদুগা চাউবা য়াম্না খেন্নগনি। অনৌবা মনাদুগী মপানগী ময়াৎ-ময়াৎ তৌরিবদু হেন্না ময়েক শেংগনি; মথক্তা কোনখৎকনি। খরা লিবা মনাগী মতাইশিংদুনা মখাদা কোন্থে। কেলসিয়ম কা হেন্না ৱাৎপা মতমদদি থবীদা পাল্লিবা মখোইশিংদু (টেন্দ্রিলস) পায়বদা তেক্কল্লি; মতৎ-মতৎ তাগল্লি। মতমদুদা মনাশিংসু কেনগল্লি অমসুং নাকলগী অনৌবা ময়োনশিংদুসু কংশিল্লি। পান্থীগী মতোন থংবা শরুক্তগী শিবা হৌরকই।

কেলসিয়ম ৱাৎলবা পান্থীগী মপালশিং পীকল্লি; মচু তাইথৈ। থবীশিং পীকই; মহাও য়াওদে।

**অৱাৎপা কেলসিয়ম পীবা :** কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎলবা পান্থীশিংদা Calsia (Ca 11%) মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্থীশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অনীশুবা ওইনা অমুক কাপথোক্কনি। খোংদ্রুম পান্থীগী ওইনদি অমোমগী মপাল হেন্না পুথোক্লবা Calcium 5ppm দা শেমদুনা মপাল লাকত্রিঙৈদা কাপথোকহৌবা ফৈ।

**মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং :** ককর্বিটশিংদা মেগনেসিয়ম ৱাৎলকপা মতমদা ময়ায় ওইরপ লীরবা মনাশিং নাপু চঙলকই; অচৌবা মশিংশিংগী মরক্কী শরুকশিংদু নাপু চংলল্কবসু মশিংশিংগী ময়া নক্না লৈরিবা শরুকশিংদুদি মচু শাংনা অদুম লৈগনি। মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লবদি নাপু মচু চঙলিবা শরুকশিংদু কাথেকপা মানগনি। মহৈ পুথোকপগী চাং য়াম্না হন্থে।

মেগনেসিয়মদি পান্থীগী মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা লেঙবা ঙম্মী। পান্থীনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা অনৌবা মনাদা ৱাৎলকপদু অরিবা মনাদগী পীশিনখি। মরম অসিনা ৱাৎপগী লায়ওং লীরপ তৌবা মনাদা হান্না উৎলি। মখা তানা অসুম ৱাৎলক্লবদি নৌরপ তৌবা মনাশিংদসু ৱাৎপগী লায়ওং উৎলি।

**অৱাৎপা মেগনেসিয়ম পীবা :** ৱাৎপগী লায়ওং উৎলবা পান্থীশিংদা Power Mag (MgO 28.3%) মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অনীরকশুবা ওইনা অমুক কাপথোক্কনি। মেগনেসিয়ম সলফেট ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

**পান্থীদা বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং :** পান্থীদা বোরোন ৱাৎপা মতমদা অনৌবা মনাশিং মচেৎ-মচেৎ ওইনা উগনি। কা হেন্না বোরোন ৱাৎলকপা মতমদদি ককর্বিট কাঙলূপকী ময়োনশিং কংই। খরা লীবা মনাশিংগী মপান্দা পাক্না নাপু চংগনি। মহৈশিং পানবা ঙমদনা মপাল কেনবা; পানবা হৌরন্নগনা মপূঙ ফাবা ঙমদনা মহৈশিং কেনবা তোয়না থেংনৈ। খোংদ্রুম পান্থীদা বোরোন ৱাৎলবদি লাবগী মপাল হেন্না পুথোকই। অমোমগী মপাল হেন্না পুথোকহন্নবগীদমক মপাল লাকপা হৌদ্রিঙৈদা বোরোন কাপথোক্কনি। ঈশিং লিটর ১০দা বোরোন মিলিলিটর অহুম হাপহৌগনি।

**অৱাৎপা বোরোন পীবা :** ককর্বিটশিংদা বোরোন ৱাৎলকপা মতমদা JU-Boron (Boron 10%) মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। মসিনা পান্থীগী Cambium tissue শিংসু ফগৎহল্লি, ময়োনশিংগী শাহৌ ফহল্লি। লৈরীক পুথোকপদা অমসুং মহৈ পালহনবদা মতেং পাংই। মহৈসি চেকখাইহন্দে।

**সলফর ৱাৎপগী লায়ওং :** ককর্বিটশিংগী মনুংদা মরু ওইনা থবীদা সলফর ৱাৎলবদি পান্থীশিং চাউদম থি। নৌরিবা মনাশিং পীক্না লৈ; মখারোমদা কোন্থে। মনাশিং নাপু চংই। নৌরিবা মনাশিংগী মপান্দু ময়াৎ-ময়াৎ তৌবগী চাং হেল্লি; ময়েক শেংনা উই। সলফর ৱাৎলবা পান্থীগী অকংবা মনাশিংদা চাদা সলফর ০.০৬ মুক্তা য়াওই। মশা ফবা সলফর ৱাত্তবা পান্থীগী মনাদা সলফর চাদা ০.৬-০.৭ ফাওবা য়াওই। সলফর য়াম্না চঙবা পান্থী হায়বদুদি ওইদে। অদুবু পোথোক হেন্না পুথোক্লবগীদমক ৱাৎহনবদি য়াদে।

**অৱাৎপা সলফর পীবা :** সিঙ্গল সুপর ফোসফেট হাপখিবা মফমদদি ককর্বিটকীদমক সলফরগী অৱাৎপা লৈতে। ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্লবদি সলফর ৮০% দব্লিয়ু পি গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। মসিনা কোকফাই লায়না পাওদ্রি মিলদ্যু হায়বা লায়নাদুবুসু ফহল্লি; অৱাৎপা সলফরসু পীরনি। অদুবু চেকশিনফম থোকপদি ককর্বিটশিং অসি Sulphur Shy লৈবা মরম্না চেকশিন্না কাপ্পা চংই। নুংথিলগী মতমদা কাপকনি; ষ্টিকরসু শোয়দনা মিলিলিটর মঙা হাপহৌগনি নৎত্রগদি সলফর তাখিবা মফমদুদগী চাইথোকহন্দ্রবদি হীদাক্তু কংলবা মতুংদা মফমদুমক কাথেকহনখিবা য়াই। য়াম্না চেকশিনফম থোকই। ●

# তুংগী মীরোলগীদমক মহৌশা লৌউগী মায়কৈরোমদা ওনশিল্লসি



- ডা. এস সুমঙ্গল -

মীওইবা ঐখোয়না তৌবা ঙমদবা থবকপু লৈত্রা হায়নরিবনি। নীংহন্নদনা হোৎনগে য়াওনা হোৎনরবদি ঙমদবা লৈরোই হায়না খল্লি। ওইথোক্লোই খল্লম্বা থবক কয়া অমা ওইথোকখিবা ঙাক্তনি। ঙসিগী খূৎইদা ওইথোকহন্নীংলিবা থবক অদুদি মহৌশাদগী ওইথোক্তুনসু লাক্লবা মহৌশাগী লৌউ (নেচরেল ফার্মিং) হায়রিবা অসিনি। জপান মচা ফুকুওকা কৌবা অমনা মায় পাক্না চাংয়েং কয়া তৌদুনা উৎখ্রবা হৌজিক্না ফুকুওকা ফার্মিং হায়নসু খঙনরবা লৌউ কাঙলোন অদুনি। মালেম পূম্বদা ঈহৌ অমা ওইনা চঙশিনবা হৌনরক্লিবা ইন্দিয়াদসু মসিগী ঈহৌ শাগৎলক্লিবা লৈঙাক্লসু চাংয়েং অমা ওইনা চানবা মফম খন্দুনা পায়খৎনবা হোৎনরক্লিবা থৌরম অমসু ওইরি। মসিগীদমক লৈঙাক্না অচৌবা শেনফমশিং থাদরকপগী মমিসু তারি, ওইননবা হোৎনবনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

মথং-মথং আই এন এম (ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট), আই এফ এস (ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম), আই পি এম (ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্ট মেনেজমেন্ট) হায়বনচিংবা কয়া অমা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা ওনশিন্নবা হোৎনরক্লি। মসিগীদমক পি কে ভি ৱাই (পরম্পরাগত কৃষি বিকাশ যোজনা হায়বা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলক্লিবনি। মায়কৈ কয়াদগী মালেমগী অকোয়বগী ফীভমদা শোকচিল্লক্লিবা ফীভম, হোংলক্লিবা ঈশিং নুংশিৎ, অঈং-অশাগী ফীভম, নোংজু-নুংশা, মসিনা থোকহল্লক্লিবা ঈচাও, ঈকং, থোরক্লিবা অনৌ-অনৌবা মীওইবগী লায়না মখল কয়া অসি য়েংলুরগদি লাক্লিবা মহৌশাগী লৈরক্লবা অদুবু অনৌবা ওইনদি উরবা পান্দম মান্নরবা ৱাখল্লোন ওইনা লৌনরিবা মহৌশাগী লৌউ, পর্মা কলচর, ইকো ফার্মিং নৎত্রগা সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর হায়রিবা মায়কৈরোমদা শোয়দনা মায় ওনশিন্নরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বা য়াই।

মহৌশাগী লৌউগা ওর্গানিক ফার্মিংগা খেন্নরিবসি থোইদোক্না য়াম্না লৈবা নত্তে। ওর্গানিক ফার্মিংদা লৌউ পোৎচঙশিং খুদম ওইনা ওর্গানিককী ওইবা তীলহাৎ হীদাক, নাপি হীদাক, ওর্গানিক ওইনা থাননবা মরূ অতোপ্পা মফমদগী পুশিল্লকপা য়াবগী তাঞ্জা অমদি পীরি। অদুবু মহৌশাগী লৌউদদি মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং শীজিন্নদবা হায়বা চাউরবা ৱাখল্লোন অমা য়াওরি। লৌউ পোৎচংগীমদক শেল শুক্তিং তিংদনা মশাগী লৌফমদগী পোৎচঙ খুদিংমক পুথোকচবগী ৱাখল্লোন অমসু য়াওরি। লৌ খোইদবা, নাপী হীদাক শীজিন্নদবা, তীলহাৎ হীদাকসু শীজিন্নদনা মথন্নতা ঙাকথোকচবা হায়বা ৱাখল্লোন্নি। খুদম ওইনা লৈহাও কানবা/হেনগৎহন্নবা, লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা পোৎলমশিংদগীনা থাননবা মরূ মরাং ফাওবা ইশাগী লৌফমদগী পুথোকচনবা পান্দম য়াওরি। ইশাগী লৌফমদা লৈবা হিংকুপশিং লৈহাও কানবা, লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা খুদিংমক মশানা পুথোকচনবা লৌমী খুদিংমক্তা তম্বীবা অমা মথৌ তারক্লি। অসুম্না হায়রিবা থৌরমশিং অসি হৌদোক্লবা হান্না তম্বীদুনা থাজহনবগা লোয়ননা হৈহনবা অমা মথৌ তারক্লি।

মসিবু মপূং ফানা পাঙথোকখ্রগদি তুংদা লৈবাক লৈশা মথন্নতা মহৌশানা অদুমক শেমজ দুনা নিংথিনা পোথোক পুথোকচবা হায়বদুদি মহৌশানা অদুমক পাঙথোকচখ্রগদবা অমা ওই। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি অহানবগী হৌদোকপা হায়বসিদা লৌমীদা নত্তনা মীয়াম্বু লৌশিং তাহনবা হায়বসিদা লৈঙাক্না অমদি মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংশিং অদু কদায় ফাওবা পুকচেল শেংনা হোৎনবীগদগে হায়বা ৱাফম অদুনি। হন্না-হন্না তৌখিবগুম হামু-হামুদা মহৌশানা অদুমক লাকচগনি হায়দুনা লৈথোক্লগদি থেংমনখিদুনা পূন্নমক মাঙমিন্নগদ্রা হায়বগী নুংনাংবদি ইজরিবা ঐদা নত্তনা পূন্নমক্না ফাওবীরমগদবা মাল্লি।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি ইশা-ইশানা অপীকপা চাংদা ইশা-ইশাগী লৌফমদা চাংয়েং ওইনা তৌবীয়ু লোয়ননা পায়খৎপা য়াবা থৌরম খরা থমজগে। ইশা-ইশাগী ইঙ্খোলদা, লৌফমদা মহৌশানা পান্থীনা হৌবদা চঙদবা য়াদ্রবা হিংকুপ খরদি অদুমক লৈজৈ হায়বসি কাউবীদবা, মখোয়গী মশীং অসি হন্থখিদনবা থৌরাংশিং খুদম ওইনা থারিবা পান্থীগী লেমহৌখাকশিং খুদম অমুক ওইনা চৰূ, হৌরম্বা নাপী-শিংনা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনবগী মহুত্তা লৈবাক্তা হঞ্জিনবিবা, শা-ষণ খরতা ওইরবসু লোয়দুনা লেমহৌরিবা পোৎলমশিং অদু মখোয়দা পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গী মথী-ময়ুং ওইনা লৌবুক্তা হঞ্জিনবীবা, ষস্থি অমদি ষণযুংদগী শেম্বা হীদাক্না তীলহাৎ হীদাক অমদি লৈহাও কানবা মচাক ওইহনবীবা, য়ারিবমখৈ লৌবুক হাঙহনদনা মতম চূপ্পা লৈমাইবু কুপ্তুনা থম্নবা মহৈ-মরোং লেপ্তুনা অমদি য়ারিবমখৈ লোনশিন্নদুনা অমা লোইরমদাইদা অমা থাজিনবা। অসুম্না কুপ্তুনা থম্বা লৈবাক্তা য়াম্না মাঙহনবা ঙম্বা নাপীসু হন্থহনবদা মতেং ওইগনি। হৌরকপা খরা অদু হীদাক শীজিন্নদনা খূৎনা পেংথোক্লগা লৈহাও ওনখিনবা মওংদা শীজিন্নবা, অরেম্বদা ঈশিং হেন্না চনশিন্দুনা লৈহাও চেন্থদুনা মাঙদনবা হোৎনবা অমদি খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নদুনা ঈশিং চাং চানা লিক্না শীজিন্ননবা হোৎনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মায় পাক্লবা খুদম অমা য়েংসি। ফৌ থারবা মতুংদা লৌবুক্তা খোইদোক্তুনা আলু থারে, আলুনা ফুট অমা ৱাংলকপদা ফৈদোম নাকলদা হান্নরা চারা শেল্লবা মাইরেন, তর্ব্বুজ নৎত্রগা খোংদ্রুম থারে। আলু তানবদা লৈবাক মশানা তৌজরে, আলু মরিশিং অদুমক লৌফমদা থনল্লে, খোংদ্রুম-মাইরেন মরী নীংথিনা চৎলে, পাল্লে হেকপা লোইরবা মতুংদা মরীদু কুমগী নোং লাকপদা খোইজিন্দুনা লৈহাও ওল্লে। মদুদা এস আর আই মেথোদতা ফৌ থারে, মায় নীংথিনা পাক্লে। হার হাপ্লুবা লৈতে, থারিবা পোৎ খুদিংমক নীংথিনা লোকই। অসুম্না চানবা মহৈ-মরোং খন্দুনা অওন পোত্থাগা লোয়ননা লেমহৌখাক হঞ্জিনবগী অমদি লৈবাকপু মতম চূপ্পা কুপ্তুনা থম্বগী মওং অসি লিশাং শিংনা পায়খৎলবদি মতম খরা লৈরগা লৌবুক শুকখোই খোইদনা কাঞ্জুলখক্তং হল্লগা আলু থাবা য়াবা লৈবাক শোয়দনা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়বসিনিন মহৌশাগী লৌউ। অসুম্না তোঙান তোঙানবা মোদেল কয়া থিদোক্তুনা/পুথোক্তুনা চাংয়েং তৌদুনা হোৎনবগী তঙাইফদবসু লৈতবদি নত্তে। করি ওইরকপা মতম্না পুরকপা ঙাইদনা খঙলুবা তম্লুবা খরা অদুদা চানগদবা য়েংদুনা মায় ওনশিনবগী মতম হেনখিদনবা মরী লৈনবা পূন্নমক্না থৌদাং য়াবা মতম ওইরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।